# য়ু এস ওপন : ৱারিঙ্কা, নিশিকোরিনা নুপাগী, সেরেনা, প্লিসকোভানা নুপীগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে





ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৮ : স্বিসকী অহুমশুবা সীদ ষ্টান ৱারিঙ্কানা মফম অসিদা চত্থরিবা য়ু এস ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মমাঙগী চেম্পিয়ন অর্জেন্টিনাগী জুআন মার্টিন দেল পোট্রোবু সেট মরিদা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

গ্রান্দ স্লামগী ৱিন্নর অনীরক ওইখ্রবা ৱারিঙ্কানা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অর্জেন্টিনাগী মার্টিন দেল পোট্রোবু ৭-৬ (৫), ৪-৬, ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি। কুমজা ২০০৯ গী ৱিন্নর মার্টিন দেল পোট্রোনা থংন-থংননা স্লামগী মাপল্লকশুবা ওইনা মখুদাংগী অনাবা লৈবদগী মায়থীদুনা লৈহৌখি।

মহাক্না হন্দক্তা লোইশিনখিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা ৱারিঙ্কাবু সেকেন্দ রাউন্দদা মায়থীবা পীখি অমদি গেমস অদুগী সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

মেচ লোইরবা মতুং ৱারিঙ্কানা হায়খি, মসিগী মেচ অসি ঐগীদি অঙকপা অমা ওইখি। মসি ঐগী খ্বাইদগী টফ ওইবা, ৱাখলগী ওইবা অমদি ফিজিকেলগী ওইবা মেচ ওইখি। মহাক অসি মশক থোকপা প্লেয়র অমনি অমদি ঐনা মেচ অদুবু মায় পাকখিবদা তশেংনা হরাউবা পোকই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মেচ অদুগী অহানবা সেটতা দেল পোট্রোনা ৪-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু ৱারিঙ্কানা নিংথিনা খুৎ হল্লক্তুনা সেট অদু গেম তরেৎতা পুরকখি। দেল পোট্রোনা সেটঅদু টাই ব্রেক তহনখি অমদি গেম অদুদা মহাক্কী অশোয়বা অহুল্লক য়াওখিবদগী স্বিসদা কান্নবা পীখিদুনা টাই ব্রেক অদু ৭-৫ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা সেটতা দেল পোট্রোনা নিংথিনা শান্নরকখিদুনা ৬-৪ দা ৱারিঙ্কাবু মায়থীবা পীখি। মখা তারকপা সেটশিংদা ৱারিঙ্কানা মহাক্কী মশক থোক্লবা পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা ৬-৩, ৬-২ দা মায় পাক্তুনা লাষ্ট ফোরদা খোঙ থাংজিনখি।

রেঙ্ক ১৪২ শুবদা লৈরিবা অমদি ইভেন্ট অসিদা ৱাইল্ড কার্ড ওইনা চঙলকখিবা দেল পোট্রোনা মেচ লোইরবা মতুংদা হায়খি, ৱারিঙ্কাগী মরমদা ৱাহৈ ওইনা ফোঙদোকপদা অরুবা ওইগনি। মহাক অসি অফবা প্লেয়র অমনি। ঐহাক্না মেচ মায়থীখি অদুবু মসি ঐনা কৈদৌনুংদসু কাউবা ঙম্লরোই। মসি মায় পাকপদগী হেন্না চাউবা অদুগুম্বা মেচ অমনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৪ গী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ৱিন্নর অমদি কুমজা ২০১৫ গী ফ্রেঞ্চ ওপনগী চেম্পিয়ন ৱারিঙ্কানা সেমী ফাইনেল মেচতা জপানগী তরুকশুবা সীদ কৈ নিশিকোরিগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। নিশিকোরিনা কুমজা ২০১৪ গী ফ্লসিং মেদোজগী রন্নরস-অপ ওইখিবনি।

মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর টু এন্দি মরেবু সেট মঙা (১-৬, ৬-৪, ৪-৬, ৬-১, ৭-৫) দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিল্লকখিবনি।

ওপন অসিগী ইরাই নুমিৎতা শান্নগদবা নুপাগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচ অমদি ফ্রেঞ্চকী তরাশুবা সীদ গেল মোনফিলসকা মায়োক্লগনি।

অমরোমদা, নুপীগী সিঙ্গলস মেচকী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা রোমানিয়াগী মঙাশুবা সীদদে সিমোনা হালেপপু ৬-২, ৪-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। য়ু এস এ ওপন টাইটল তরেৎলক লৌদুনা রেকোর্দ থম্মবগীদমক হোৎনবতা নত্তনা ২৩শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌননবগী পান্দম থল্লিবী ৱিল্লিয়মসনা মেচ অদুদা এস ১৮ কন্দুনা মায় পাকখিবনি।

মহাক্না নুপীগী অহানবা গ্রান্দ স্লামগী সেমী ফাইনেল মেচতা কারোলিনা প্লিস্কোভাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। সেরেনানা কুমজা ২০১৪ গী ফ্রেঞ্চ ওপন ফাইনেলিষ্ট হালেপকা শান্নখিবা মেচ অদুদা অনফোর্স ইরর ৬৩ তৌখি। হালেপনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ৱিল্লিয়মসনা তৌখিবা সার্ভপু ব্রিক তৌখি। মহাক্না টুর্ণামেন্টদা ৱিল্লিয়মসকী সার্ভ ব্রিক তৌবা ঙম্বা অহানবা রোমানিয়ন প্লেয়র ওইবসু ঙমখি।

মেচ লোইরবা মতুং ৱিল্লিয়মসনা হায়খি, ঐহাক অপেনবা পোকই। ঐহাক্কী হকচাং চাদা চান্মা ফবা ওইদ্রি। অদুবু ঐগী ইথৌদি মতীক চানা পাঙথোকখ্রে। মসিগী মতাংদা ঐনা কমপ্লেন তৌবগী থোইদোকপা লৈতে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা নুপী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা প্লিস্কোভানা মশাগী চহী ১৮ খক্তা ঙাইরিবী ক্রোসিয়াগী অন্না কোঞ্জুবু ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবী প্লিস্কোভানা হায়খি, অহানবা ওইনা ঐনা সেমী ফাইনেল চঙবদা অপেনবা পোকই। ঐনা মায় পাকখিবা অসি মশক থোকপা সার্ভশিং তৌখিবদগীনি হায়না খল্লি। মেচ অসিদা ঐনা তৌখিবা সার্ভশিং অফবা হায়বদু ওইখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# কৈ নিশিকোরি অমসুং নোভাক জোকোভিচনা য়ু এস ওপনগী ফাইনেলদা শান্নরবা য়াই

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৮ : মালেমগী তরুকশুবা সীদতা লৈরিবা জপানগী কৈ নিশিকোরিনা য়ু এস ওপনগী ফাইনেলদা সর্বিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচকা লম্বা তৌদুনা শান্নরবা য়ানা লৈখ্রে।

কুমজা ২০১৪ গী য়ু এস ওপনগী রন্নর-অপ তাখিবা কৈ নিশিকোরিনা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম ওইরিবা ওপন অসিগী টাইটল লৌবা ঙম্নবা মাঙদা মিৎয়েং থল্লিবনি। চহী অসিগী দেভিস কপতা জপানবু মায়থীবা পীখিবা অদুদা কৈ নিশিকোরিনা অথিংবা পীবা খঙখিদে

নাকল অমরোমদা ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক নম্বর ৱানদা লৈরিবা সার্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা য়ু এস ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ফ্রেন্সকী জো ৱাইলফ্রাইদ সোঙ্গাবু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি। কুমজা ২০১১ অমদি কুমজা ২০১৫ গী চেম্পিয়ন ওইরিবা জোকোভিচনা অহানবা রাউন্দ মেচ শান্নখ্রবা মতুং অনীশুবা রাউন্দ অমদি অহুমশুবা রাউন্দদা মথংশিৎনা ৱক্কওভর অমদি মায়োক্লগদবা লম্বানা রিটয়ার্দ তৌখিবদগী য়াম্না কোম্না মথংগী রাউন্দশিংদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। মহাক্না মরিশুবা রাউন্দদা ব্রটেনগী কেলে ইদমুন্দবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চঙবা ঙমখি।

চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম অসিদা জোকোভিচনা শুংশোয় শোয়দনা ফাইনেল চঙবা ঙমগনি হায়না থাজবা লৈরিবনি। লোয়ননা মহাক্না অহুল্লকশুবা ওইনা য়ু এস ওপন টাইটল লৌনবা অচেৎপা পান্দমসু থল্লিবনি। জোকোভিচনা য়ু এস ওপনগী টাইটল অনীরক লৌখিবগী মথক্তা কুমজা ২০০৯, ২০১০, ২০১২ অমদি ২০১৩ দা রন্নর-অপ তাখি অমদি কুমজা ২০০৫, ২০০৬ অমদি কুমজা ২০১৪ দা সেমী ফাইনেল থাক ফাওবা য়ৌবা ঙমখিবনি।

# অঞ্জুমনা এম সি সি মেম্বরশিপ ওইবা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী ওইরে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৮ : অঞ্জুম চোপ্রানা মেলবোর্ন ক্রিকেট ক্লব (এম সি সি) কী ওনরেরি লাইফ মেম্বরশিপ ওইনবগী অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা এম সি সিগী মেম্বরশিপ ওইবা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী ক্রিকেটরসু ওইখ্রে।

ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা ক্রিকেটর বিরেন্দ্র সেহৱাগ অমসুং জহির খানদসু হন্দক্তা এম সি সিগী মেম্বরশিপ ওইবগী অয়াবা পীখিবনি। কুমজা ২০১৪ গী পদ্মা শ্রী ফংখিবী অমদি মমাঙগী ইন্দিয়ন কেপ্টেন অঞ্জুমবু এম সি সিগী ওনরেরি লাইফ মেম্বরশিপ ওইরে হায়না মেলবোর্ন ক্রিকেট ক্লবতগী খঙহল্লকখিবদা মশামক্তা অঙকপা পোকখি।

অঞ্জুম চোপ্রানা মহাকপু এম সি সিগী মেম্বরশিপ ওইনা হাপ্লকপদা অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, মসি তশেংনা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেটপু ঈকাই খুম্নবীবা অমদি থৌগৎপীবনি। ঐনা ইন্দিয়াগী ওইনা লেমজনিংঙাই ওইরবা এম সি সি মেম্বরশিপ ওইবা অহানবা নুপী প্লেয়র অমা ওইবা ঙম্বদা অপেনবা পোকই। ঐনাঐগী খোঙচৎতা স্কুলগী নুপীমচা অমা ওইনা নেসনেল ষ্টেদিয়মদা খোঙ থাংজিনবা হৌখি। ঐহাক্কী হোৎনজমন্না ঈকাই খুম্ননিংঙাই ওইরবা মেম্বরশিপকী এৱার্দ অসি ফংবা ঙম্বনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অঞ্জুমনা মশাগী চহী ১৭ শুবদগী ইন্টরনেসনেলদা শরুক য়ারকখ্রে। অঞ্জুমনা টেষ্ট মেচ ১২, ৱান দে ইন্টরনেসনেল (ও দি আই) ১২৭ অমসুং টি ২০ তরানিপাল শান্নখ্রে। লেফট হেন্দর অঞ্জুমনা টেষ্ট মেচতা অপুনবা রন ৫৪৮, ও দি আই মেচতা অপুনবা রন ২৮৫৬ লৌবা ঙমখ্রে। মহাক্কী ও দি আইগী অপুনবা রন অসিদা কুমজা ১৯৯৯ দা নোর্থম্পটোনদা ইংলেন্দগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেচতা মশক থোক্না লৌখিবা সেঞ্চুরি অদু য়াওরে।

এম সি সিনা অঞ্জুমবু মেম্বরশিপ ওইরে হায়না লাউথোকখিবা অদুদা হায়খি, মহাক্না কুমজা ২০১২ দগী শান্নবদগী পোথাখিবা মতুংদগী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) তা কম্মেন্টেটর অমা ওইনা থৌ পুদুনা মালেমগী মীওই মিলিয়ন হেনবদা মেচকী পাউদম পীদুনা লাকখি।

সেহৱাগকা লোয়ননা ঈকাই খুম্নখ্রবী অঞ্জুমনা ইন্টরনেসনেল সেঞ্চুরি য়ৈবা অহানবা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেটরসু ওইরে।

কুমজা ২০০৭ তা আর্জুন এৱার্দ ফংখ্রবী অঞ্জুমনা কুমজা ২০০২ দা সাউথ অফ্রিকাগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা তাংলবা টেষ্ট সেরিজদা ইন্দিয়াবু লুচিংখি অমদি সেরিজ অদু ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবনি। মেচ অদু মায় পাকখিবনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ হেনগৎহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

# টেষ্ট ফোর্মেটতা ইন্দিয়াগী ক্রিকেটরনা মশক থোকপা রেকোর্দ থল্লি




ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৮ : ইন্দিয়াগী ওফ স্পিন্নর রভিচন্দ্রন অশ্বিননা টেষ্ট ফোর্মেটতা মেন ওফ দ সেরিজগী এৱার্দ খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা ঙম্বা ইন্দিয়ন ক্রিকেটর ওইবা ঙমদুনা লৈবাক অসিগী লেজেন্দ কয়াবু তুংওইনরমখ্রে।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা ওফ স্পিন্নর অশ্বিননা হন্দক্তা ৱেষ্ট ইন্দিজগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা টেষ্ট সেরিজদা মহাক্কী কেরিয়রগী তরুকশুবা মেন ওফদ সেরিজ এৱার্দ ফংখিদুনা এৱার্দ অসি খ্বাইদগী মশিং য়াম্না ফংবা ঙম্বা ক্রিকেটর ওইখিবনি। অশ্বিননা মহাক্কী তরুকশুবা এৱার্দ অসি ফংখিবদগী লৈবাক অসিগী শক্নাইরবা ক্রিকেটর সচিন টেন্দুলকর, রাহুল দ্রাভিদ, মোহম্মদ অজারুদিন অমদি সৌরভ গাঙ্গুলিনচিংবা লেজেন্দ কয়াবু তুংওইনরমখি। এৱার্দ অসি ৱেষ্ট ইন্দিজগী মায়োক্তা শান্নখিবা টেষ্ট মরিগী সেরিজদা ওল রাউন্দর ওইনা মতীং থোক্লা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিবদগী ফংখিবনি।

অশ্বিননা মহাক্কী মায় পাকপগী রেকোর্দ অদু ফংখিবদা মতম য়াম্না চঙখিদে। ইন্দিয়ন অসিনা টেষ্ট মেচ ৩৬ অমদি সেরিজ ১৩ খক্তমক শান্নরবা মতুংদা মহাক্কী তরুকশুবা মেন ওফ সেরিজগী এৱার্দ অদু ফংখিবদগী মালেমগী ওইনা রেকোর্দ থল্লিবা মালকোম মার্শেল (সেরিজ ২১), কর্টলি এমব্রোস (সেরিজ ২৭) অমদি ষ্টেভ ৱোগ (সেরিজ ৫৪) নচিংবা মালেমগী মমিং লৈরবা ক্রিকেটরশিংবু তুংওইনরমখি। মালকোম মার্শেল, কর্টলি এমব্রোস অমদি ষ্টেভ ৱোগনা মেন ওফদ সেরিজ এৱার্দ তরুক্লক ফংখ্রে। অদুগা ইন্দিয়াগী সচিন টেন্দুলকর (সেরিজ ৭৪) অমদি সেহৱাগ (সেরিজ ৩৯) না মেন ওফদ সেরিজ এৱার্দ মঙাখক্তমক ফংলি।

ৱেষ্ট ইন্দিজ টূরদা অশ্বিননা সেঞ্চুরি অনী য়াওনা অপুনবা রন ২৩৫ অমদি ৱিকেট ১৭ লৌদুনা ইন্দিয়াবু সেরিজ অসিদা ২-০ দা মায় পাকহন্দুনা কেরিবিয়নগী লৈহাওদা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকখিবনি। কুমজা ২০১১ দা অহানবা ইন্টরনেসনেল টেষ্ট মেচ শান্নখিবা অশ্বিননা মহাক্কী ফংখিবা মেচশিং মতীং থোক্না শান্নদুনা ইন্দিয়ানা মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি। অশ্বিননা অপুনবা টেষ্ট ৩৬ শান্নখিবদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী মায়োক্তা সেঞ্চুরি মরি য়াওনা হাফ সেঞ্চুরি তরুক অমসু লৌবা ঙমখ্রে।

# অর্জেন্টিনা অমসুং ভেনেজুয়েলা ড্রো চৎখ্রে, উরুগুৱে, ব্রাজিল মায় পাকখ্রে



মেরিদা, সেপ্টেম্বর ০৮ : নিকোলাস ওটামেন্দিনা অর্জেন্টিনাবু মফম অসিদা চত্থরিবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িংগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায়থী-রমগদবদগী কনখিদুনা ভেনেজুয়েলাগা ২-২ দা ড্রো চৎখ্রে।

অর্জেন্টিনা অমদি ভেনেজুয়েলা অনীগী মেচ অদুদা অর্জেন্টিনাগী বার্সেলোনা ষ্টার প্লেয়র লিওনেল মেসি মশাগী অশোকপা লৈবদগী শান্নবা য়াওখিদে। মেসিনা মমাঙ চয়োলদা ক্বালিফাইয়িং অসিগী উরুগুৱেগা শান্নখিবা মেচতা গোল অমা চনদুনা ১-০ দা মায় পাকখিবনি।

টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ভেনেজুয়েলানা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৪ চৎপা মতমদা জুৱান এনোরনা গোল অমা চনশিনদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। মহাক্না গোল অদু কোর্নরগী য়ার্দ ২০ দগী ওইথংবা খোঙনা অকনবা শাফুদা কাওশিনখিদুনা গোল অদু চনখিবনি।

ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা অর্জেন্টিনানা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। হাফ অদুদা ভেনেজুয়েলানা ১-০ দা মাঙজিল থানা অদুমক চৎখি।

অনীশুবা হাফতা ভেনেজুয়েলানা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং লেপ্পা লৈতনা তৌখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক অমদা জোসেফ মার্টিনেজনা মেচকী মিনিট ৫২ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিনদুনা ২-০ দা লৈখি।

অর্জেন্টিনাসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক অকনবা শাফুশিং পীদুনা ভেনেজুয়েলাগী মায়কৈদা তকখৎলকখি। অর্জেন্টিনানা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচ অদুগী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা লুকাস প্রাটোনা গোল অমা ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-২ দা লৈখি।

মখা তানা অর্জেন্টিনানা ভেনেজুয়েলাগী মায়কৈদা অহেনবা গোলশিং চন্নবগীদমক এটেকশিং তৌখি। অর্জেন্টিনাগী হনবা লৈত্রবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৮৩ চৎপা মতমদা নিকোলাস ওটামেন্দিনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ড্রো চৎখি।

অর্জেন্টিনানা হৌজিক মেচ নিপান শান্নখিবদা পোইন্ট ১৫ ফংদুনা টেবলগী খ্বাইগী মনিংদা লৈব্রি। অদুগা ভেনেজুয়েলানা পোইন্ট ২ ফংদুনা লৈরি। সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা ভেনেজুয়েলানা অমুক্তা ফাওবা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেল চঙবা ঙমদনা লৈরিবনি।

পনবা য়াই, চহী অনীগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপতা অর্জেন্টিনানা জর্মনিগী মখুৎতা মায়থীদুনা রন্নরস-অপ তাহৌখিবনি। অদুগা সাউথ অমেরিকান চেম্পিয়নশিপ অমা ওইরিবা কোপা অমেরিকা টুর্ণামেন্টকী ফাইনেলদা অনীরক মায়থীদুনা রন্নরস-অপ ওইহৌখিবনি।

অতোপ্পা সাউথ অমেরিকান ক্বালিফাইয়িং মেচতা উরুগুৱেনা পেরাগুৱেবু ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ মায় পাকখিবা অসিনা উরুগুৱেনা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা অফবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে। উরুগুৱেগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ইদিনসন কাভানিনা মেচকী মিনিট ১৮ অমদি ৫৪ চৎপা মতমদা গোল অনী চনখি। ক্রিষ্টিয়ন রোদ্রিজনা মেচকী মিনিট ৪২ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিনখি অমসুং লুইস সৌরেজনা ফার্ষ্ট হাফকী ষ্টোপেজ টাইমদা ফংখিবা পেনালটি অমদা গোল ওন্থোকখি। মায়থীহৌরবা পেরাগুৱেনা পোইন্ট ১২ ফংদুনা চৎলি।

সাউথ অমেরিকান ক্বালিফাইয়িং মেচতা চিলি অমদি বোলিভিয়া অনীনা শান্নখিবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমনদনা ড্রো চৎখি। চিলিনা হৌখিবা কোপা অমেরিকা টুর্ণামেন্টকী অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রে। হায়রিবা টুর্ণামেন্ট অনী অদুদা চিলিনা অর্জেন্টিনাবু ফাইনেলদা পেনালটিদা মায়থীবা পীখিবনি। চিলিনা পোইন্ট ১১ ফংদুনা লৈখ্রে। অদুগা বোলিভিয়ানা পোইন্ট ৭ ফংখ্রে।

অতোপ্পা সাউথ অমেরিকান ক্বালিফাইয়িং মেচতা ব্রাজিলনা কলম্বিয়াবু ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। নেয়মারনা মেচ অদুগী মিনিট ৭৪ চৎপা মতমদা কলম্বিয়াগী কোর্নরদগী ওইগী খোঙনা কাওশিনখিবা বোল অমা কিপর দেভিদ ওস্পিনাবু নক্ষ্মৎলল্লগা গোল ওন্থোকখি।

ব্রাজিল অমদি কলম্বিয়া অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী মিনিট অনী চৎপা মতমদা ব্রাজিলগী মিরান্দানা কলম্বিয়াগী গোল পোষ্টতা হেদিং তৌশিনখিদুনা গোল অমা চনবা ঙমখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

কলম্বিয়ানা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদা অকনবা শাফু পীদুনা তকখৎলকখি। মখোয়না তকখৎলকখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৬ চৎপা মতমদা ব্রাজিলগী মার্কু ইনহোসনা ওনগোল অমা চনশিনখিদুনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি। মার্কুইনহোসনা চোংখৎলগা ৱাংনা লাকখিবা বোল অমা হেদিং তৌখিবদা মশাগী গোলপোষ্ট মনুংদা চঙখিদুনা কলম্বিয়াগী গোল ওইখি।

মখা তনা ব্রাজিলনা কলম্বিয়াগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্ত মেচকী মিনিট ৭৪ চৎপা মতমদা বার্সেলোনাগী ষ্টার প্লেয়র নেয়মারনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-১ দা কলম্বিয়াবু মায়থীবা পীখি।

ব্রাজিলনা অনৌবা কোচ টিটেগী মখাদা থংন-থংননা অনীরকশুবা ওইনা মায় পাক্তুনা অপুনবা পোইন্ট ১৫ ফংবা ঙমখি। কলম্বিয়ানা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা লৈখ্রে।

# পঙ্কজ অদভানিবু অমুক হন্না পদ্মা ভুষনগীদমক মিং পীখৎখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৮ : এস কুইষ্ট পঙ্কজ অদভানিবু ইন্দিয়াগী অহুমশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ পদ্মা ভুষনগীদমক বিল্লিয়র্দস এন্দ স্নুকর ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এস এফ আই) না রিকম্মেন্দ তৌখ্রে।

বিল্লিয়র্দস এন্দ স্নুকরগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ১৫ রক ওইখ্রবা অদভানিবু লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসিগীদমক মমাঙ চহীদসু রিকম্মেন্দ তৌখি। অদুবু এৱার্দ অসি ফংদনা লাক্লি।

বিল্লিয়র্দস এন্দ স্নুকর ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এস এফ আই) গী সেক্রেটরি এস বালাসুব্রামানিয়ননা হায়খি, হোয়, ঐখোয়না পঙ্কজবু থংন-থংননা অনীরকশুবা চহীগী ওইনা রিকম্মেন্দ তৌরি। মহাক্না চহী অসিদদি শুংশোয় শোয়দনা এৱার্দ অসি ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মহাক এৱার্দ অসি ফংবা য়ারবা অদুগুম্বা কেন্দিদেট অমনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

শক্নাইরবা এস কুইষ্ট পঙ্কজ অদভানিনা মাঙজৌননা হৌখিবা কুমজা ২০০৯ দা পদ্মা শ্রী এৱার্দ ফংখ্রে। কুমজা ২০০৫-০৬ তা খেল রত্না এৱার্দ অমসুং কুমজা ২০০৪ দা আর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রে।

পদ্মা ভুষন এৱার্দ অসি আর্ট, লিটরেচর এন্দ এদ্যুকেসন, স্পোর্টস, মেদিসিন, সোসল ৱার্ক, সাইন্স এন্দ ইঞ্জিনিয়ারিং, পব্লিক এফ্যোর্স, সিভিল সার্ভিস, ট্রেদ এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ হায়রিবা ফিল্ডশিং অসিদা মশক থোক্না মথৌ পাঙথোকপদা নত্তনা শিংথানিংঙাই ওইনা মায় পাক্লবা মীওইশিংদা এৱার্দ অসি পীবনি।

এৱার্দ অসিগীদমক নোমিনেসন পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা সেপ্টেম্বর ১৫ নি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিনা থোকপা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি। এৱার্দ অসিগীদমক নোমিনেসন/রিকম্মেন্দসন তৌরকপশিং অদু প্রাইম মিনিষ্টরনা শেম্বা এৱার্দ কম্মিটি অমগী মমাঙদা পুথোক্তুনা ক্বালিফাইদ ওইরবা মীওইশিংবু খনগৎকনি। ৱিন্নর ওইরবশিং রিপব্লিক দেগী মাঙওইননা লাউথোক্কনি হায়রি।

পনবা য়াই, ওলেম্পিক্স গেমসদা অনীরক মেদল লৌখ্রবা রেষ্টলর সুশিল কুমারবু ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা অহুমশুবা মনা ওইরিবা পদ্মা ভুষনগীদমক রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (দব্লিয়ু এফ আই) না নোমিনেট তৌখ্রবনি।

মসিগী মথক্তা পেরেন্ট বোদি ওইরিবা দব্লিয়ু এফ আইনা দ্রোনা চার্যা এৱার্দ ফংখ্রবা সুশিলগী কোচ য়াশভির সিংহ অমদি নুপী রেষ্টলর অলকা টোমারসু এৱার্দ অসিগীদমক মমিং পীখৎখ্রবনি।

কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্স গেমসদা ব্রোঞ্জ মেদল অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্স গেমসদা সিলভর মেদল লৌখিবা সুশিলনা থংন-থংননা ওলেম্পিক্সতা মেদল লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পার্ফোমর ওইরিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্কী অশোকপা লৈখিবদগী ক্বালিফাইয়িং ইভেন্টতা শরুক য়াবা ঙমখিদবদগী রিও ২০১৬ কী কোটা ফংবা ঙমখিদে।

হৌখিবা চহী অনীগী মমাঙদা সুশিলবু এৱার্দ অসিগীদমক মমিং পীখৎখ্রবসু থবক ওইনা উথোরকখিদে। তুংদা মহাক্না লৈবাক্কীদমক লৌখিবা থৌদাং অদু গভর্ণমেন্টনা মশক খঙখিদে হায়না পোলিসি শেম্লিবশিংগী মায়োক্তা লৈদুনা পেন্দবশিং ফোঙদোকখিবনি।

# সলাম রঞ্জননা আই এস এলগী অহুমশুবা সিজনদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিদা শান্নরগনি




গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ০৮ : ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) ২০১৬-১৭ সিজনগীদমক সেন্ট্রেল দিফেন্দর সলাম রঞ্জন সিংহবু খুৎয়েক পীনখ্রে হায়না নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

দিফেন্দর সলাম রঞ্জননা মমাঙদা ইন্দিয়াগী অন্দর ২৩ টিমদা শরুক য়াখিবদা নত্তনা তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংদা য়াওদুনা আই লীগতা শান্নখ্রে। মহাক্না কুমজা ২০১৩-২০১৪ সিজনদা পুনে এফ সিদা য়াওদুনা মহাক্কী খ্বাইগী অহানবা ওইনা আই লীগতা শরুক য়াখি অমদি মমাঙগী সিজনদা আই লীগকী চেম্পিয়ন ওইরিবা বেঙ্গলুরু এফ সিদা লোনদা চত্তুনা শান্নখি।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী ওনর জোন অব্রাহমনা চেরোল অমদা হায়, আই লীগকী মেচশিংদা রঞ্জননা য়াওদুনা শান্নখিবা গেম অদু ঐঙোন্দা নুংঙাইবা ওইখি অমদি ফুটবোলদা মহাক্কী কখোকপা অমদি পুকচেল শেংবদুনা ঐখোয়গী ক্লবতা য়াওবদা মতীক চপ চারে। ঐনা মহাকপু তরাম্না ওক্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদকী ফুটবোল দিরেক্টর অর্দেশির জিজিভোয়না মশাগী চহী ২০ শুরবা মণিপুরগী নুপামচা অসিনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) কী টিমদা য়াওরকপদা তরাম্না ওকখি।

জিজিভোয়না হায়খি, সলামনা মমাঙদা মশামক্না মতীং থোক্না শান্নদুনা সেন্টর বেক অমা ওইবগী প্রমাণ তৌখ্রে। টিমনা অহেনবা ট্রেনিংশিং তৌগনি অমদি মহাক্না ঐখোয়গী টিমদা খ্বাইদগী মশক থোকপা প্লেয়র অমা ওইনা অহেনবা মতীক মগুণশিং উথোরক্কনি হায়না ঐনা আশা তৌরি হায়না ফোঙদোকখি।

দিফেন্দর সলাম রঞ্জননা হায়খি, নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগা খুৎয়েক পীনবদা ঐঙোন্দা নুংঙাইবা পোকই অমদি মসি ঐগী চপ চাবা মফম অমনি হায়না ইশাদা ফাওই। ক্লব অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক ফুটবোলগী মরমদা ঙাওজবা ঙাক্তনি অমদি ঐনা টিমগা লোয়ননা ট্রেনিং তৌনবা মাঙদা মিৎয়েং থল্লি। ঐনা চেম্পিয়নশিপতা অফবা পার্ফোমেন্স শোয়দনা পীগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।